**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 02-10-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লৈবাক অসিনা ঙসি জাতিগী মপা, মহাত্মা গান্ধিগী ১৫৬ শুবা মপোক কুমওন নুমিৎতা মহাক্কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি, লু-নানবগী থৌরমশিংসু পাঙথোক্লি।

২) রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়রি- মহাত্মা গান্ধিগী মরোমদোম লেপচবা হায়বা ৱাখল্লোন্না চাওখৎপা খুনাই অমা পুরকবা মীয়ামগী পুকিং থৌগৎলি।

৩) নেসন ফাষ্ট এদ সভেন্টি ফাইব কেম্পেইন লোইশিনবগী থৌরম ঙসি মফম কয়াদা পাঙথোকখ্রে।

৪) মহৌশাগী চৎনবী অমসুং লাইনিং লাইশোলগী থৌরমগা লোয়ননা ক্বাক তানবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

অমসুং

৫) ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- পাকিস্তান্না সরক্রিক এরিয়াদা পামদবা থবকশিং চখৎরক্লবদি ভারতনা মদুগী চপ চাবা পাউখুম পীগনি।

------

গান্ধি (এল)ঃ লৈবাক অসিনা ঙসি জাতিগী মপা, মহাত্মা গান্ধিগী ১৫৬ শুবা মপোক কুমওন নুমিৎতা মহাক্কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপগা লোয়ননা

লু-নানবগী থৌরম কয়া পাক শন্না পাঙথোকখি। লৈবাক শিনবা থুংবা অমদি মীরৈবাক্তা লৈবা ভারতকী মীসনশিংদা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা থৌরম কয়া পাঙথোকখি। মহাত্মা গান্ধিগী মপোক নুমিৎ অসি মালেমগী অহিংশাগী নুমিৎ হায়নসু পৃথিবী শিনবা থুংবদা পালন তৌরি।

লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা লৈবা বাপুগী সমাধি রাজ ঘাটতা অয়ুক অঙনবদগী ধর্ম্ম পুমমক্কী ওইবা লাইশোল সভা পাঙথোক্লি। ঙসি অসি প্রধান মন্ত্রি ওইরম্বা লাল বহাদুর সাস্ত্রিগীসু ১২১ শুবা মপোক কুমওন নুমিৎনি।

রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, লোক সভা অধ্যক্ষ-ওম. বিরলানচিংবা লুচিংবা কয়ানা মহাত্মা গান্ধি অমসুং লাল বহাদুর সাস্ত্রিগী মফমদা শ্রধাঞ্জলি কৎলি।

মনিপুরদসু রাজ্য সরকারনা শিনদুনা ইম্ফালগী গান্ধি মেমোরিএল হোলদা মপুং ওইবা থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়-মহাত্মা গান্ধি অসি নীংতম লালদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা খক নত্তনা নুংশি চান্নবা, অহিংশা অমদি মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লমদম অমা ওইহনবগী ৱাখল্লোন শন্দোক্লম্বা লুচিংবা অমনি। মহাত্মা গান্ধিগী মরোমদোম লেপচবা হায়বা ৱাখল্লোন অসিনা মীয়ামদা চাওখৎপা খুনাই অমা পুরকবগী থৌদাং লৌহল্লি। মহাকা হায়- মণিপুরদসু লোকেল বোদিশিংগা লোয়ননা লু-নানবগী কেম্পেন মায় পাকা পাঙথোকপদগী জাতিগী থাক্তা শকখঙনবা রাজ্য অমা ওইরে। মেক ইন ইন্দিয়াগুম্বা থৌশিলশিং মণিপুরগী নহারোলশিংদা খুদোংচাবা কয়া পীদুনা লমদমসিগী পোত্থোক কয়া মায় পাকা পুথোকহন্দুনা হিংনবগী লম্বীদা চাউনা মতেং পাংলি। লু-নানবা হায়বসি তঙাইফদবা থৌদাং অমা ওইনা লৌবগী মহুৎতা পুন্সিগী ওইবা থাদোকবা য়াদ্রবা থবক অমা ওইনা লৌদুনা তরু-তনানবা, মশা মউ ফবা, চাওখৎপা মণিপুর অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নরশি হায়নসু রাজ্যপালনা আপীল তৌরি।

থৌরম অদুদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা, হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন, এম.এল.এশিং অমদি সিভিল অমসুং পুলিসকী

মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

থৌরম অদু য়াওবা লাকপদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়- রাজ্য অসিগী লম্বী থোং শেমনবা টেন্দর লাউথোকপদা কোন্ট্রেক্তরশিংনা সেদ্যুল রেটতগী কা হেন্না নেমা থাজিল্লকপা অসিনা পায়খৎকদৌরিবা থবক অদুগী ক্বালিতিগী মতাংদা অচৌবা ৱাহং কয়া থোক্লক্লি। মরম অসিনা রাজ্য সরকারনা অথুবা মতমদা সেদ্যুল রেটতগী তানা টেন্দর থাজিল্লকপা কোন্ট্রেক্তশিং লৌদনবা কাংলোন অমা শেম্বগী তঙাইফদবা লৈরে।

জাতিগী লু-হেনবা নুমিৎ পালন অমসুং হান্নগী প্রধান মন্ত্রি লালবহাদুর শাস্ত্রিগী ১২১ শুবা নিংশিং থৌরম ঙসি মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিনা শিনদুনা ইম্ফালগী বি.টি. রোডতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং কংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবী, এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট কৈশাম মেঘচন্দ্র য়াওনা কংগ্রেস লুচিংবশিং অমদি কর্ম্মিশিংনা মহাত্মা গান্ধি অমসুং লালবহাদুর শাস্ত্রিগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরম অদুদা শ্রী ইবোবীনা হায়- ভারতপু চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা খুঙ্গং অমসুং সহর থোং মান্ননা চাওখৎহনবা তঙাইফদে। মসিগীদমক খুঙ্গংশিং চাওখৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরিবা লোকেল বোদি অমসুং চীংগী ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিংগী মীখল পাঙথোক্তুনা মখোয়বু নিংথিনা মথৌ তৌহনবা তঙাইফদে।

গান্ধি জয়েন্তি- জাতিগী লু-হেনবগী নুমিৎ পালন দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা শিন্দুনা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরশিংদসু পাঙথোকখি।

রাজ্যপাল (এল) ঃ রাজ্যগী প্লান্নিং বিভাগনা শিনদুনা ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা, নেসন ফাষ্ট এদ সভের্ন্টি ফাইব কেম্পেইন ঙসি লোয়শিনখ্রে। থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা থৌবাল অমসুং চুরাচান্দপুরদা

হাংদোকপা বি.এ.সি নর্সিং কোর্সশিং ভারচুয়েল ওইনা হৌদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়- রাজ্য অসিগী চুরাচান্দপুর অমসুং থৌবাল জিলাদা বি.এ.সি নর্সিংগী কোর্সশিং হাংদোকপা অসি অনা লায়েংগী শিক্ষাগী লমদা শিংথানিঙাই ওইবা খোঙথাং অমনি। মসিনা রাজ্য অসিদা ত্রেন নর্সকী অৱাৎপা মেনখৎপদা নত্তনা মীওই কয়াদা থবক পীরগনি। মহাকা হায়- থৌরাং অসি কেন্দ্র সরকারগী ওকমের্ন্টিং নর্সিং ইজ্কেসন, ইষ্টাব্লিষ্টমেন্ট ওফ নিউ কলেজেস ওফ নর্সিং- কো লোকেতেদ ৱিথ মেদিকেল কলেজ স্কিমগী মখাদা পায়খৎপনি। রাজ্য অসিদা চহি খুদিংগী মহৈরোই লিশিং ১,৬০০ বি.এস.সি নর্সিং তমবা ক্বালিফাই তৌরকপা মতমদা রাজ্য অসিদা শুপ তগী ৫৭৬ খক এদমিসন পীরম্বা অদু হৌজিক্তি মশিং হেনগৎহনবা ঙম্লগনি।

হেন্দুলম (এল)ঃ ভিক্সিত ভারত, ভিক্সিত মণিপুর, নেসন ফার্ষ্ট এদ সভেন্তিফাইভ কেম্পেন লোইশিনবগী শরুক অমা ওইনা রাজ্যগী হেন্দুলমস এন্দ টেক্সতাইলস দাইরেক্তোরেটনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী পাউনা বজারদা লৈবা মণিপুর হেন্দুলমস এন্দ হেন্দিক্রাফটস দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী কমপ্লেক্সতা সভেন্তিফাইভ মোতিভস ওফ হেন্দুলম এন্দ হেন্দিক্রাফটসকী পোখোকশিং উৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলসকী দাইরেক্তর এলাংবম জিতেন্না হায়- রাজ্য অসিগী য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা ফজরবা হেন্দলুমগী ফিরোলশিং চেকশিন্না থমনবা থবক পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈরে।

ক্বাক তানবা (এল)ঃ মহৌশাগী চৎনবী অমসুং লাইনিং লাইশোলগী থৌরমগা লোয়নন‍া ঙসি মেরাগী ১০ নি পানবা নুমিৎতা ক্বাক তানবগী থৌরম পাঙথোকখি।

অয়ুক অঙনবদা সনা কোনুংদা মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবা য়াওনা অমাইবা অমাইবীশিং য়াওনা ক্বাক থানবগী অয়ুক্কী লাইথৌ পাঙথোকখি।

নুংথিলগী মতমদা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা সনা খোঙলেংদুনা ৱাংখৈ থাঙ্গপাৎ মপাল কম্যুনিতি হোলদা ক্বাক তানবগী মপুং ওইবা থৌরম পাঙথোকখি।

ইম্ফালগী কোনুং মনাক্তা লৈবা হপ্তা কাংজৈবুংদসু ক্বাক তানবগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর পন্দিৎ লোইশঙগী পন্দিৎ য়াইমাগী থৌ পুরিবা ৱাহেংবম সনাতোন্না অসুমা ফোংদোক্লি।

ককৱা লমদাইবুংদা লৈবা এল.এস.দব্লিউ. ক্লবকী লম্পাক্তসু য়েলহৌঙৈদগী চৎনরকপা পুকায় কাপ্পা-ক্বাক তানবগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখি।

দিঙ্গো (এল)ঃ সেবা সপ্তাহগী মনুং চন্না এক পের মাকে নাম কেম্পেনগী মখাদা ঙসি খুরখুল অৱাং মমাং লৈকাইদা এম.এল.এ- হৈখাম দিঙ্গোনা লুচিংদুনা মীয়ামা উ চারাশিং থাখ্রে।

থৌরম অদুদা শ্রী দিঙ্গোনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ৭৫ শুবা মপোক নুমিৎ সেপ্তেম্বর ১৭ তগী হৌদুনা পাঙথোরক্লিবা সেবা সপ্তাহগী মনুং চন্না সেকমাই কেন্দ্রগী মফম কয়াদা হকশেলগা মরী লৈনবা থৌরম কয়া পাঙথোকখ্রে। মদুদা মীওই কয়া লেমা লায়েংবা, তোঙান তোঙানবা টেষ্ট মখল কয়া তৌবা, হিদাক লাংথকশিং লেমা পীবা অমসুং খুলশিংদা চত্তুনা মীয়ামগী অৱাৎ অপা য়েংশিনবনচিংবা থৌরম কয়া পাঙথোকখি। সেবা সপ্তাহগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা জাতিগী লু নানবা নুমিৎকা মরী লৈননা উ চারাশিং থাবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি. এন.জিতেন অমসুং লমদম অদুগী মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

নুঙবাগী এম.এল.এ- দিনগাংলুং গাংমৈনা লুচিংদুনা ঙসি লোংমাইদা লৈবা জাদোনং মেমোরিয়েল কলেজদা স্বাসতা হি সেবা কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা লু-নানবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শ্রী গাংমৈনা মীয়ামদা,

লু-নানবা হায়বসি তঙাইফদবা থৌদাং অমা ওইনা পাঙথোকবা তকশিনখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবাম অমসুং দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিস জিরিবামনা পুন্না শিন্দুনা ঙসি জিরিবামগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিস কমপ্লেক্সতা উ চারা থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু সেবা পর্বা-নেসন ফার্ষ্ট এদ সভেন্তিফাইভ কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবনি।

আরএসএস (এল)ঃ রাষ্ট্রিয়া সোয়ম সেবক সঙ্ঘ (আর.এস.এস)কী চহি ১০০ শুবগী মপোক কুমওন থৌরম ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোংদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অকাশবানি ইম্ফালগী রিজনেল নিউজ য়ুনিটতা জোইন্ট দাইরেক্তর ওইরম্বা বি.বি. শর্ম্মনা হায়-আর.এস.এসনা হেক লিংখৎলকপদগী ঙসি ফাওবদা লৈবাক অসিগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোকখ্রে। আর.এস.এসনা চোকথবা লৈতনা মীয়ামগীদমক পাঙথোকখিবা থবক থৌরম কয়া শ্রী বি.বি. শর্ম্মনা মচা খায়না পাউদমখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ভারত মাতা অমসুং আর.এস.এসকী ফাউন্দরশিংদা ইকায় খুমবা উৎখি।

রিমস (এল)ঃ স্বাস্থ নারি সাসক্ত পরিবার অভিয়ান ২০২৫ অমসুং স্বাচতা হি সেবা লোইশিনবগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী জেনেরেল ও.পি.দি. ব্লোকতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা রিমসকী দিরেক্তর প্রোফেসার জি. শুনিল কুমার শর্ম্মনা থা অমা চুপা পাঙথোক্কদবা স্পেসিয়েল কেম্পেন ফাইভ পোইন্ট জিরো অমদি স্বাচ ভারত দিবস হৌদোকখি। থৌরম অদ্দা ইন্সটিট্যুট অসিগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

সভা (এল)ঃ নোনে জিলাগী লোংমাইদা লৈবা আদি সেবা কেন্দ্রদা ঙসি অখন্নবা গ্রাম সভাগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা কুমজা ২০২৪-২৫ গী ওইনা পায়খৎকদবা থবক থৌরম কয়া লেপথোকখি।

উখ্‌ল জিলাগী মনুং চনবা সিরা রাখোং খুলদা ঙসি পাঙথোকখিবা অখন্নবা গ্রাম সভাগী মীফমনা আদি কর্ম্ম যোগি অভিয়ানগী মখাদা পায়খৎকদবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং লেপথোকখ্রে।

চান্দেল জিলাগী মোনসাং পনথা ভিলেজদা ঙসি পাঙথোকখিবা গ্রাম সভাগী মীফমনা কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা লুপা কোতি ৫ রোম থাদদুনা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পাঙথোকবা ৱারেপখ্রে হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তমেংলোংনা শিন্দুনা ঙসি দুইগাইলোং ভিলেজ কম্যুনিতি হোলদা আদি কর্ম্ম যোগি অভিয়ানগী মখাদা ভিলেজ এক্সন প্লান হৌদোকখ্রে।

কম্পিতিসন ঃ টুগেদর এজ ৱান হায়বা হিরমদা পিছ পোষ্টর কম্পিতিসন অমা ঙসি কংলৈ ইনৎ য়োকখৎ লুপ লুৱাংশংবমগী পান্থোইবী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। লাইওন্স ক্লব ইম্ফাল সিতি য়ুনাইতেদ, দিষ্ট্রিক্ট 322-দিনা শিনবা কম্পিতিসন অদুদা চহি ১১ দগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোই ৫০ রোমা শরুক য়াখি।

ৱিক (এল)ঃ দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফসার, জিরিবাম ফোরেষ্ট দিভিজন্না ঙসি ৭১ শুবা লম্লক্কী শা-উচেক কনবা চয়োল পালন থৌরম জিরিবামগী পি.দব্লিউ.দি গেষ্ট হাউসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা জিলা থাক্কী মহৈরোইশিংগী ক্যুইজ চাংদমবা অমসু পাঙথোকখি।

তমেংলোংগী ত্রিনিতি পাব্লিক স্কুলদা ঙসি ৭১ শুবা লম্লক্কী শা উচেক কনবা চয়োল পালন পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী এদ্দিসনেল এস.পি. জোসিয়া পামৈ য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

সেমিনার (এল)ঃ পোলিতিক্স ইজ ফ্রিদম ফ্রোম ভাইওলেন্স, ফিলোসোপিকেল এন্দ থিওলোজিকেল পরস্পেপক্তিভস হায়বা হিরমদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী হিয়ং খোঙবাল উফোং য়ুম্ফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহি শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ইন্তরফেদ ফোরম মণিপুরনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

রাজনাথ ঃ কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- পাকিস্তান্না লৈবাক অনিগী লোন্নবা সরক্রিক এরিয়াদা পামদবা থবকশিং চথ্থরক্লবদি ভারতনা মদুগী চপ চাবা পাউখুম পীগনি। ৰাফম অসি মন্ত্রিনা গুজরাতকী ভুজদা লৈবা মিলিটরি ষ্টেসন অমদা পাঙথোকখিবা সস্ত্রপুজন থৌরম অমদা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- ওপরেসন শিন্দুর চথ্থরিঙৈ মতমদা লেহ্‌দগী সরক্রিক ফাওবগী মনুংদা পাকিস্তানলোমদগী নারোলদা চংশিল্লক্তুনা ভারতকী দিফেন্স সিষ্টেমদা অমাং অতা থোকহন্নবা হোৎনরকপদা মথৌনা লৈরবা ভারত লান্মীনা চপ চাবা পাউখুম পীখি।

অমিত ঃ মহাত্মা গান্ধিগী মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ঙসি জি.এস.টি বচৎ উৎসবকী মখাদা খাদি অমসুং খুঙ্গংগী উদ্যোগশিংগী পোৎলমশিং লৈবাক শিনবা থুংবদা মমল তানা য়োন্নবগী থৌরম অমা নিউ দিল্লিগী খাদি গ্রাম উদ্যোগ ভবনদা হৌদোকখ্রে। খাদিগী ফিরোলদা চাদা ২০ অমসুং খুঙ্গংগী ওইবা খাদিগী উদ্যোগকী পোত্থোকশিংদনা চাদা ১০ গী মমল তাথনা ঙসিদগী হৌরগা নবেম্বর ৫ ফাওবদা কুমশি চহিগী খাদি মহোৎসবতা য়োনগনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাহনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা, খাদিগী পোৎলমশিং হেন্না শিজিন্নবা অমসুং লৈবাক অসিদা শাবা পোৎলমশিং শিজিন্ননবগী খোঙজংবু শৌগৎনবা হায়খি।

## --হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফূটবোলঃ   দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা য়ুমাম মনাউ মেমোরিয়েল ফাৰ্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা তাইদা তৌবুলনা য়ু.এফ.সি বিষ্ণুপুরবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

ফূটবোলঃ  ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চথুরিবা ২১ শুবা কে.কে. মেমোরিএল ফাৰ্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ু.বি.এস.এ মন্তক অমসুং পি.এফ.সি তোকপা চীং পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা কে.ৱাই.দব্লিউ.এ.সি অমসুং এ.কে.এস.এ ককচিং খুনৌসু পাঞ্জল ৩-৩ চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

পেনকেক ঃ   সেপ্তেম্বর ২৬ তগী ২৮ ফাওবা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংগী টিম ৩০ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ১৩ শুবা নেসনেল পেনকেক সিলাত চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা সনাগী তকমান ৭, লুপাগী ৬ অমদি শেঞ্জেংগী ৫ পুন্না তকমান ১৮ লৌবা ঙমখ্রে। মায় পাক্লবা শান্নরোইশিং ঙসি ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতা পেনকেক সিলাত এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরনা শিন্দুনা হৱাউ তয়ামা ওকখি।

------